# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 31-01-2025)

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য সরকারনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা শান্তি অমসুং মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা কন্না হোৎনরি।

২) রাজ্যগী ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগ, নেসনেল দেরি দিভলপমেন্ট বোর্দ অমসুং মণিপুর মিল্ক প্রদ্যুসরস কোওপরেতিভ য়ুনিয়নগী মরক্তা য়ান্না ৱারোল অমা ঙসি সহি তৌনখ্রে।

৩) রাজ্য অসিদা রোড সেফতি মন্থ্কা মরী লৈননা নিয়ম কায়না গাড়ি থৌবা থিংনবা থবক পায়খৎপা হৌরে।

৪) সংসদকী সভা অনিমক্কী অপুনবা মীফম রাষ্ট্রপতিনা ৱা ঙাংবগা লোয়ননা সংসদকী বজেৎ মীফম ঙসিদগী হৌখ্রে।

অমসুং

৫) শেল থুম মন্ত্রি নিরমলা সিতারমন্না ঙসি ইকোনোমিক সর্ভে ২০২৪-২৫ সংসদতা পুথোকখ্রে, কেন্দ্রগী বজেৎনা হয়েং পুথোক্কনি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা চাডখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা রাজ্য সরকারনা শান্তি অমসুং মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা কন্না হোৎনরি।

সেকমাই অমসুং কংলাতোংবীগী নৌনা শাবা ইমা কৈথেলশিং শঙ্গাবা অমসুং সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ক্বাটরশিং শানবগী যাত্রা হুনবগী থৌরমদা ঙসি শ্রী বিরেন্না হায়- হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অসিগী ফিভমদা মীওই কয়া চাউনা অৱাবা মায়োকরি। মহাকা হায়- ২০১৭ তা শেমখিবা বি.জে.পিনা লুচিংবা সরকারনা মীয়ামগী য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। রাজ্য অসিদা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং (সি.এম.ঐচ.টি) মায় পাকা চৎনহন্দুনা বেনিফিসরি লাখ ২ লিশিং ১৫ রোমদা লুপা কোতি ২৮৯ লোমগী শেনফম ফংহনখ্রে। মহাকা হায়- আয়ুসমান ভারত (পি.এম.জে.এ.ৱাই) স্কিমগী মখাদা মীওই লাখ ৩ হেনবদা লেমা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক ফাওবদা রাজ্য সরকারনা নুপীশিংদা শক্তি পীনবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ইমা কৈথেল ২৭ শারে। লুপা কোতি ৭ লোম চংনা সেকমাই কাংজৈবুংবু মালেমগী থাক্কী ফুটবোল গ্রাউন্দ অমা ওইহন্নবা শেমগৎপগী থবক চখ্খরি। মসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনবদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবসু শ্রী বিরেন্না হায়রি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিগী মীয়ামদা মশাগী শেন্থোক লৈহন্নবা ইকোনোমিক রিভাইবেল মিসন হৌদোক্লে। মিসন অসিগী মখাদা পোত্থোক পুথোকপসু হৌরে।

খুরখুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা পীশিল্লকখিবা মেমোরেন্দম অদুগী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগী য়াইফনবা সরকার অসিনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়- রাজ্য অসিগী ৱারবা মতম অসিদসু মুখ্য মন্ত্রি এন. বিরেনগী লমজিং মখাদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি।

রাজ্য সরকারগী প্লান্নিং অমসুং মণিপুর পুলিস হাউসিং কোর্পোরেসন লিমিতেদ অনিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা পি.ঐচ.ই মন্ত্রি এল. শুশিন্দ্রো, ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, পৱার মন্ত্রি টি.ঐচ. বিশ্বজিৎ অমদি এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

এমওয়ু (এল)ঃ রাজ্যগী ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি বিভাগ, নেসনেল দেরি দিভলপমেন্ট বোর্দ অমসুং মণিপুর মিল্ক প্রদ্যুসরস কোওপরেতিভ য়ুনিয়নগী মরক্তা য়ান্না ৱারোল অমা ঙসি সহি তৌনখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- য়ান্না ৱারোল অদু সহি তৌনবা হায়বসি মতম কয়াদগী খৌরাংনা ঙাইদুনা লাক্লবনি। খোঙথাং অসিনা রাজ্য অসিদা শঙ্গোম হেন্না মরাং কায়না পুথোকপা ঙমহল্লগনি। মহাকা হায়- শান্ন-খোৎনবগী লমদা ওলিম্পিয়ান ১৯ পুথোক্নুনা মাংজিল থারিবা মণিপুরগুম্বা রাজ্য অসিদদি শঙ্গোম অসি য়ামা মরুওইবা চীঞ্জাক অমা ওইরি। রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ষনজাবুং শেমগৎপগী তঙাইফদবা অদুসু মহাকা পনখি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা য়ান্না ৱারোল সহি তৌনবগী থৌরম অদুদা ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি মন্ত্রি খাসিম ভাসুম, মন্ত্রিশিং অমদি এম.এল.এ কয়াসু শরুক য়াখি।

মিট (এল)ঃ নেৱার্ট ওফ ৱিমেন ইন মিদিয়াগী ১৯ শুবা নেসনেল মিট ঙসিদগী গুৱাহাতিদা লৈবা দোন বোস্কো ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট কেম্পসতা হৌখ্রে। নুমিৎ হুমি চত্থগদবা মীফম অসিদা অকাশবানি ইম্ফালগী দেস্ক এদিটর ৱাইখোম চিত্রধনি অমদি ইম্পেক্ট টি.ভিগী এসোসিয়েট এদিটর জোয়শ্রী উসমনা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা নুপী জরনেলিষ্ট ২০০ রোমা শরুক য়ারিবা মীফম অদুদা ঙসি পেনেল দিস্কসন্নচিংবা পাঙথোকখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি পদ্মা ভুসন মনা ফংখ্রবী রানি গাইদিনলিউগী ১১০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম মহাক্কী পোকফম লুৱাংকাউদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মফম অদুগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

রোড সেফতিঃ রাজ্য অসিদা রোড সেফতি মন্থকা মরী লৈননা নিয়ম কায়না গাড়ি থৌবা থিংনবা থবক পায়খৎপা হৌরে। থাবুম পালন অসিগা মরী লৈননা

রোড সেফতি অমসুং ত্রাফিক এৱারনেসগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেতিভ মেনেজমেন্টকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংগী এস.পি. প্রমেশ অরাম্বমনা হায়- লম্বীদা গাড়ি মচা অমদি অচৌবা থৌদুনা চৎলিবা মীওইশিংনা ত্রাফিক্কী নিয়ম নিংথিনা ঙাক্তুনা চৎলবদি লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক খরগী মখৈদি হন্থহনবা ঙমগনি।

তমেংলোং জিলাদা থা অসিগী ১০ দগী হৌখিবা ৩৬ নেসনেল রোড সেফতি মন্থকী পালন থৌরম ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কনফরেন্স হোলদা লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এ.দি.সি তমেংলোং চুলেনমাং কিপগেন্না মীয়ামদা লম্বী চৎপগী নিতি নিয়ম ঙাক চৎনবা আপীল তৌখি। পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা রাজ্য থাক্কী ক্বিজ কম্পিতিসনদা মনা ফংলবা মহৈরোইশিংবুসু মহাকা থাগৎপা ফোংদোকখি।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু রোড সেফতি মন্থ পালনগী শরুক অমা ওইনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

সিপিআই (এল)ঃ হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য বিধান সভা মীফমদা মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা পোরম য়াৎপীনবা সি.পি.আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা তকশিল্লি। চেরোল অমদা দল অসিনা হায়- রাজ্য অসিগী এম.এল.এ ৬০ না মীফম অসিদা লান অসিগী ৱারোইশিনগী ৱাফম অসিনা হেন্না লুমা লৌবগা লোয়ননা মসিগী ৱারোইশিন পুরকবা পোরম য়াৎকদবনি।

নুপী মরুপ (এল)ঃ লাক্কদৌরিবা রাজ্য বিধান সভা মীফমদা নুপীশিংগী শেন্দোক লম্বী লৈহন্নবা ৱারেপ লৌনবা ওল মণিপুর নুপী মরুপনা হায়রি। চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়- হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য বিধান সভা মীফমদা নুপীশিংগীদমক অখন্নবা পেকেজ অমা পীবীদুনা হন্দক্কী লান অসিদা অৱাবা

মায়োকরিবা নুপীশিংগীদমক শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা সরকারনা থবক পায়খৎনবা তকশিন্নবা ইন্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট- ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ঙরাং পাঙথোকখিবা চহিগী ওইবা মীফম ৱারেপ লৌরে।

মীফম (এল)ঃ মিদ ডে মিল ৱার্করস য়ুনিয়ন মণিপুরগী রাজ্য থাক্কী মীফম হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা ইন্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা অনৌবা ওফিস বিয়াররশিং খনবগা লোয়ননা মিদ ডে মিলগী ৱার্করশিংগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

চান্দেল (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি স্কুলস ফোর রাইজিং ইন্দিয়া (পি.এম.শ্রী) স্কিমগী মখাদা ক্বালিতি ইজ্কেসন পুরকবা মহৈরোই অমদি মহৈলোইশঙশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎলকপা থবকশিংগী মনুং চন্না য়ং রাইটর ইদিতোরিয়েল ক্লব শেম্বগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম অমা লিৱা সরৈদা লৈবা জে.এন.ভি চান্দেলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ঐখোয়গী চান্দেল পাউমী জিরে মোয়োন্না কম্ম্যুনিকেসনগী হিরমদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। ত্ংদা ড্রগনা খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেং হায়বা হিরমদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেলনা শিন্দুনা লাইয়েকপা চাংদমবা অমসু পাঙথোকখি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মালেমগী তংদু লৈতাদবা ফিভম লৈজরবসু ভারতনা শেল থুম, শমাজিক অমসুং রাজনীতিগী লমদদি মালেমগী ফিদমফম ওইবা ফিভম অমা লৈহনবা ঙমলি।

সংসদকী রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংবদা ঙসি রাষ্ট্রপতিনা লৈবাক অসিগী তুংগী মীরোলনা ২০৪৭ ফাওবদা চাওখৎলবা, শক্তি লৈরবা অমদি থবক ঙম্বা ভারত অমা উবা ফংলগনি।

শ্রীমতি মুরমুনা হায়- মহাক্কী সরকারনা লৈবাক অসিবু চাওখৎহন্নবা অমদি মীয়ামগী য়াইফদনবগীদমক রিফোর্ম, পার্ফোম অমসুং ত্রান্সফোর্ম হায়বা লমদা

অকনবা থবক পায়খৎলি। মহাকা হায়- বজেৎকী কেপিতেল এক্সপেন্দিচর অসি রেকোর্দ ওইবা চাংদা লুপা কোতি লাখ ১১ য়ৌহনবা ঙমলে। মসি চহি ১০ গী মমাংদদি শুপগী লুপা কোতি লাখ ২ খক ওইরম্বনি। লৈবাক অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা হোৎনরিবশিংগী মতাংদা পল্লদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৈবাক অসিনা মেক ইন ইন্দিয়াদগী মেদ ফোর দ ৱার্ল্ড য়ৌদুনা থবক পীনবগী অচৌবা খুদোংচাবা ফংহল্লে। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি গ্রাম শরক য়োজনাগী মরিসুবা ফেজগী মখাদা মফম লিশিং ২৫ শমহন্নবা সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ৭০ কাইথোক্লে। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী মেত্রো নেটৱার্ক হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবগীদমক অকনবা থবক পায়খৎলে। মসিনা হৌজিক্তি কিলোমিতর লিশিং ১ গী মথক্তা য়ৌহনবা ঙমখ্রে। রাষ্ট্রপতিনা হায়- উধমপু-শ্রীনাগর-বরামুল্লাহ রেল লিঙ্ক প্রোজেক্ট লোইশিল্লে অমসুং হৌজিক্তি কাশ্মীরদগী কৈন্যাকুমারি ফাওবা রেল লম্বী ফাওনহল্লে।

সাইবর ক্রাইমগী কেসশিং হেনগৎলক্লিবা অসিদা নুংনাংবা ফোংদোক্লদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- মহাক্কী সরকারনা সাইবর ক্রাইমগী ৱাথোক থিংনবা চপ চাবা ফিরেপ লৌখৎলি। মহাকা হায়- গ্রিন ফ্যুচর অমসুং গ্রিন জোবকী মীৎয়েংদা সরকার অসিনা থবক পায়খৎলি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- ২০৩০ ফাওবদা নোন ফোসিল ফ্যুএল ইনর্জি গিগাৱাট ৫০০ পুথোকবা চাউনা থৌরাং পায়খৎলি।

লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুকশিং ঙাক শেনবগা লোয়ননা ঙমখৈগী লমবু চাওখৎহনবা হায়বসি সরকার অসিগী মপুং ওইবা থৌশিলনি। মহাকা হায়- লৈবাক অমা মীখল অমা অমসুং ৱাকফ এক্ট এমেন্দমেন্টগুম্বা মরুওইবা ৱাফমশিংদা সরকারনা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি। চাওখৎ থৌরাংগী স্কিমশিংগী মতাংদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- খুঙ্গংগী লাইরবা মীয়ামদা মশাগী লম লৈহনবা অমসুং মখোয়গী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা হায়বসি মহাক্কী সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি। হৌজিক ফাওবদা স্বামিতভা স্কিমগী মখাদা প্রোপরতি কার্দ কোতি ২ লাখ ২৫ হেন্না পীখ্রে। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী ইমুং কোতি ৩ হেনবদসু নৌনা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা ময়ুম মকৈ ফংহনখ্রে। আয়ুসমান ভারত স্কিমগী মখাদা চহি ৭০ অমদি মসিগী মথক্কী মীওই কোতি ৬ তসু হেলথ

ইন্সুরেন্স পীনবা সরকারনা ৱারেপ লৌরে হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

মহাক্কী সরকারনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পল্লদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহন্নবা অমসুং নৌনা থবক ফংনবগী খুদোংচাবা পীনবা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা কম্পনি ৫০০ দা নহা কোতি ১ দা ইন্টর্নসিপ ফংহনগনি। অনৌবা নেসনেল ইজ্কেসন পোলিসিগী মখাদা মহৈরোইশিংদা মতমগা চুনরবা শিক্ষাগী থৌশিলগী কান্বা ফংহল্লি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

সিতারমন ঃ  শেনবা চহি ২০২৫ দা ভারতকী জি.দি.পি চাদা ৬.৪ দা হেনগৎকনি অমসুং শেনবা চহি ২০২৬ তদি চাদা ৬.৩ দগী ৬.৮ ফাওবদা য়ৌরবা য়াই।

সংসদকী সভা অনিমক্তা ঙসি কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না পুথোকখিবা ইকোনোমিক সর্ভেদা হায়- লৌউ শিংঙ অমসুং সার্ভিসেস সেক্তরনা লৈবাক অসিনা শেল থুমগী গ্রোথকী চাং হেনগৎপা ঙমহল্লি। মালেমগী ওইনা দিমান্দগী চাং নেম্বা অমসুং লৈবাক মনুংগী ওইবা ফিভম খরনা মরম ওইদুনা মেন্যুফেকচরিংগী লমদা অচৌবা শাফু পীরি হায়নসু সর্ভে অদুদা পল্লি।

কেন্দ্রগী বজেৎ হয়েং শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না পুথোক্কনি।

পিএম ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ২০৪৭ ফাওবদা বিক্সিত ভারতকী পান্দম অদু ফংবা ঙমবা সংসদকী বজেৎ মীফম অসিনা অনৌবা শক্তিগা লোয়ননা অচেৎপা থাজবা থল্লি।

সংসদকী বজেৎ মীফম হৌদ্রিঙৈদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- ২০৪৭ তা ভারতনা নীংখা তম্বা চহি ১০০ মপুং ফারকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা বিক্সিত ভারত অমা ওইনবা থল্লিবা পান্দম অদুসু মপুং ফানা ফংবা ঙমগনি। মহাকা হায়- মীয়ামা মহাক্কী সরকারদা অহুম্লক শুবা টার্মগী ওইনা সাসন তৌনবা দাইত্ব শিন্নরক্লে অমসুং হন্দক্কী বজেৎ অসিনা হন্দক্কী টার্ম অসিগী ইহান হানবা মপুংফাবা বজেৎ অমা ওইগনি। ভারতনা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক

অমা ওইরকপা চহি ৭৫ মপুং ফারকপা অমসুং মালেমগী ফম্বাক্তা মসিগী ফমফম থম্বা ঙম্লকপা অসিমক চাউথোকচনিঙাইগী মশকি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- নারি শক্তিগী চাউথোকচবদু অমুক হন্না ফংহনবা জাৎ কাংলুপ খায়দনা নুপী খুদিংমকা ইকায় খুমনিঙাই ওইরবা পুন্সি অমা ফংহনবা অমদি চপ মান্নবা হক ফংহনবনচিংবা মরুওইবা ব্রারেপ কয়া মীফম অসিদা লৌগনি।

রিফোর্ম, পার্ফোম অমসুং ত্রান্সফোর্ম হায়রিবা মন্ত্র অহুম অসিগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অসিনা মপুং ফানা চাওখৎপা ঙমবগীদমক রিফোর্ম হায়বসিদা অকনবা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকার অনিমকা পুন্না থবক তৌমিন্নগদবনি অমসুং মদুদা মীয়ামসু শরুক য়াহল্লবা মতমদা অওনবা পুরকপা ঙমগনি। লৈবাক অসিবু চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা সংসদকী সদস্য পুমমকা দাইত্ব লৌবীনবসু মহাকা আপীল তৌখি।

উপ-রাষ্ট্রপতি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- লৈবাক অসিনা অহানবা ওইনা লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভাশিংদা নুপীগীদমক শরুক অহুম থোকপগী অমা রিজার্ভেসন থমবা সংবিধানগী ওইবা অয়াবা পীরে। মহাকা হায়- নুপীশিংনা লম খুদিংমক্তা শরুক য়াবগা লোয়ননা দিফেন্স ফোর্সশিংদসু চপ চাবা মফম ফংবা ঙমলে।

নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী নিউ দিল্লিদা ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা উপ-রাষ্ট্রপতিনা হায়- নুপীশিংনা চাওখৎপগী মহাউ ফংবা ঙমলে অমসুং লৈবাক অসিগী নুপীশিং অসি হৌজিক্তি খ্বাইদগী পুকিং থৌগৎনিঙাই মশক ওইরবশিং ওইরক্লি। শ্রী ধনখরনা হায়- লৈবাক অসিদা নুপা নুপী খায়বগী থৌওং অসি আইন অমদি সংবিধানগী লমশিংদা লৈত্রে।

পঞ্জাব ঃ পঞ্জাবকী ফিরোজপুরদা ঙসি লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা মীওই ৯ শিরে, ১৫ না শোক্লে। সরকারগী পাউনা হায়- ত্রক অমগা কেন্টর অমগা থেংজিন্নবগী থৌদোক্তা লাইবা থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। অশোকপশিং অদু ফিরোজপুর অমসুং ফরিতকোটকী হোস্পিতালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ--

গেমস ঃ উত্তরাখন্দনা য়ুম্ব্ ওইদুনা হৌজিক চত্থরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী তকমান ৯ অমসুং লুপাগী তকমান ৬ অমদি শেঞ্জেংগী তকমান ৪ পুন্না তকমান ১৯ লৌবা ঙমখ্রে।

গেমস অসিগী ঙসি হুমি চনবা নুমিৎতা মণিপুরগী ৱেথ লিফতর এস. বিদ্যারানি দেবীনা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৫ গী কাংলুপকী স্নেচতা অনৌবা রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা সনাগী তকমান অমা অমসুং এল. নিলম দেবীনা শেঞ্জেংগী তকমান অমা লৌবা ঙমখি।

ফুটবোল (এল)ঃ সি.আর.পি.এফকী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা ৬৯ শুবা বত্তাল্লিয়ন্না সি.আর.পি.এফকী আই.জি.পি (মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ)গী মখাদা ১৫ শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়েল ষ্টেট ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট মথং থাগী ৩ দগী ১৫ ফাওবা ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা সাইগী আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌরগনি।

তুরনামেন্ট অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অমসুং ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগা পুন্না শিনমিন্নবনি। তুরনামেন্ট অসিদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল টিম ১৬ না শরুক য়াগনি। চেম্পিয়ন টিমদা ত্রোফিগা লোয়ননা লুপা লাখ ৩ অদুগা রন্নরস অপ টিমদনা ত্রোফিগা লোয়ননা লুপা লাখ ২ পীগনি। মসিগী মথক্তা পাঞ্জল খ্বাইদগী য়ামা চনবা ঙম্বা শান্নরোই, খ্বাইদগী ফবা গোল কিপ্পর, খ্বাইদগী ফবা শান্নরোই অমসুং মেন ও দ ফাইনেল মেটচনচিংবা ইন্দিভিজ্য়েল এৱার্দ কয়াসু থল্লি।

ফুটসাল (এল)ঃ কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুন কুমার মেমোরিয়েল ৪ শুবা ইন্তর ক্লব ফুটসাল তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি কে.আই.ৱাই.সি আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শন্নখিবা মেটচতা এম.এস.ঐচ অমসুং মুফা পাঞ্জল ৬-৬ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী নুংথিলদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.এফ.এসনা

ক্রিপসাবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ু.ৱাই.বি.এনা ক্লাসাবু পাঞ্জল ১০-২ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ  অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গা ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা- পি.সি.সি ময়াইকোইবীনা অল অমিন লিলোংবু রন ১৬ তা থোইখ্রে।

ক্রিকেট(এল)ঃ ৪ শুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরতিন তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা ৱাই.এ.এল থৌবাল লৈশাংথেমনা দব্লিউ.ৱাই.সি থৌবাল ৱাংখেমবু রন ১৯৪ দা থোইখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী পি.টি.আর.সি গ্রাউন্দ পাৎশোই পার্ট ফোরদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদনা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবা রন ২০৩ দা থোইখি। সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা লিগ মেটচতনা এস.দি.ও কৈরাও মক্তিংনা সি.সি.কে খোংমনবু রন ২৬ তা থোইখি। অদুগা লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদনা থাউ থাংমৈবন্দনা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু ৱিকেট ৯ দা থোইখি।

------